# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 07-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়রি- বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালবু হেন্না নিংথিজনা শেমগৎলগনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা মশানা মশাবু লেফটনেন্টনি হায়জবা অমা য়াওনা পুন্না লালহৌবা ৫ ফারে, খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুমসু ফংলে।

অমসুং

৩) ভারত অমসুং ভিয়েটনামগী মরক্তা লম কয়াদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা য়ান্নচে অমা সহি তৌনখ্রে।

------

গোবিনদাস (এল)ঃ ফমুং ২০০ লৈবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালবু হেন্না নিংথিজনা শেমগৎনবগী মতাংদা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা নিউ সেক্রেতরিয়েট কনফরেন্স হোলদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

গৃহ মন্ত্রিনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়- মীফম অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অসি মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎনবা, হোস্পিতাল অসিগী থবক থৌরমশিং হেন্না ফগৎাহন্নবা অমসুং মচাক মথুমশিং শেমগৎ শাগৎপগী থবক খুমাং য়াংশিন্না পায়খৎনবা ৱাফম কয়া খন্নখি। হোস্পিতাল অসি খরগা হেন্না ফজনা শেমগৎলবদি বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুংদা লৈবা মীয়ামগী অনা লায়েংগী থবক্তা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। মীফম অদু, হান্ননা মাংজোননা হেলথ কেয়ার

ফেসিলিতিশিং হেন্না ফগৎহনগনি হায়না পীখিবা থাজবা অদু থবক্তা ওন্থোকবা মহয় য়ানবা মীফম অমা ওইখি হায়নসু শ্রী গোবিনদাসনা মখা তানা ফোংদোকখি।

ওলিস (এল)ঃ এম.এল.এ- এস.এস. ওলিসনা হায়রি- চান্দেল জিলা অসি পীকচরবসু তোঙান তোঙানবা নাৎ চৎনবী অমসুং শক্তমশিংগী অপুনবা য়ুম অমনি।

জিলা অসিগী মনুং চনবা লৈশোক চীং ভিলেজদা ঙরাং তরাও ত্রাইব য়ুনিয়ন, তরাও ৱিমেন য়ুনিয়ন অমসুং তরাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রীমতি ওলিসনা হায়- জিলা অসিদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা ।অমনা অমবু ইকায় খুমবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে। অপিকপা ফুরুপশিংবু হন্থনা য়েংবগী মহুৎতা মখোয়বু পুকিং থৌগৎপীদুনা খুনাইদা মান্নবা থাক্তা হিংমিন্ননবা হোৎনগদবনি।

মণিপুর পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী কুমজা ২০২২ গী পরিক্ষাদা অহানবা ওইনা মায় পাক্লকখিবা তরাও ফুরুপকী মীওই অমদসু এম.এল.এনা পুকিং থৌগৎখি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা মশানা মশাবু লেফটনেন্টনি হায়জবা অমা য়াওনা পুন্না লালহৌবা ৫ ফারে, খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুমসু ফংলে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- মশানা মশাবু য়ু.কে.এন.এগী লেফটনেন্টনি হায়জবা মীওই অমা চুরাচান্দপুর জিলাগী এন. সোংগেল ভিলেজদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মহাক হেংলেপ সব-দিভিজনগী মনুং চনবা আইনুজাং ভিলেজদগীনি হায়রি। মহাকপু মখা তানা মচিন হংবদগী এস. খোলেন অমসুং উখা লোইখায়গী উমংগী মফম অমদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফংলে। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা এ.কে. ফোরতিসভেন রাইফল অমা, এ.কেগী মেগজিন অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী এ.সি.পি-পিষ্টোল অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোলগী মেগজিন অমা, তোঙান

তোঙানবা নোংমৈশিংগী মরু ২৬, হেন্দগ্রেনেদ অনি, রেদিও সেট অমা অমসুং আই.ই.দি মরি য়াওরি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং লমফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চীংমৈরোং মনিং লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অমা ফারে। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবা মশাগী য়ুমদগী কে.সি.পি (পোলিত ব্যুরো ষ্টেন্দিং কমিতি)গী নুপী কেদর অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ফারে। মঙোনদগী শেল ওইনা লুপা লাখ ৬ লিশিং ৮১ ফংলে হায়রি।

অতোপ্পা কে.সি.পি (পোলিত ব্যুরো ষ্টেন্দিং কমিতি)গী মীওই অমসু ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা লমলোংগৈ অৱাং লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনং চনবা ৱাংখৈ পুখ্রম্বম লৈরক্তা লৈবা মশাগী য়ুমদগী  কে.সি.পি (পোলিত ব্যুরো ষ্টেন্দিং কমিতি)গী মীওই অমসু ঙরাং ফাখি। মহাক হৌখিবা থা অসিগী ৩ দা ইম্ফাল এয়ারপোর্ট মনাক্তা বোম পোকখায়হনখিবগী থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

এআর (এল)ঃ   থ্রি কোরগী জি.ও.সি লেফটনেন্ট জেনেরেল গিরিস কালিয়ানা ঙরাং চুরাচান্দপুর অমসুং পল্লেল গেরিসনদা চত্তুনা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংশিং অমসুং মীয়ামগা লৈনবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা হন্না য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা আই.জি.এ.আর (সাউথ) অমসুং অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া লোয়নখি। চুরাচান্দপুরদা লৈবা ২৭ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসকী হেদক্কাটরসতা থুংলবা মতুংদা মহাকা কিনেপনা ৱিমেন ইম্পৱারমেন্ট সেন্তরদা চত্তুনা মফম অদুদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

পল্লেলগী গেরিসনদা লেফটনেন্ট জেনেরেল কালিয়ানা মফম অদুদা লৌখৎলিবা ঙাকশেলগী থবকশিং হন্না য়েংশিনখি। তম্পাক্কী মফমশিংদা তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনবা অমসুং লালহৌবশিংগী মায়োক্তা ওপরেসন চত্থবদা অসাম রাইফলসনা লৌরিবা থৌদাংশিংবু মহাকা থাগৎপা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা উখ্রুলগী সোমসাই গেরিসনদা লৈবা ফেমিলি ৱেলফ্যার সেন্তরদা ঙরাং ৱার্ল্ড অস্থমা ডেগী থৌরম পাঙথোকখি।

ফিলম (এল)ঃ রাকেশ মোইরাংথেমনা দিরেক্সন পীবা মণিপুরী ফিচর ফিলম ফৌওইবী, ১৮ শুবা হেবিটেট ফিলম ফেষ্টিভেল ২০২৬ তা উৎননবা খল্লক্লে হায়রি।

ফেষ্টিভেল অসি নিউ দিল্লিগী ইন্দিয়া হেবিটেট সেন্তরদা থা অসিগী ১৫ দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি। ফিলম অসি ৩১ শুবা কোলকাতা ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল, অনিসুবা গুৱাহাতি এসিয়ান ফিলম ফেষ্টিভেল অমসুং ১৭ শুবা বেঙ্গলুরু ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেলনচিংবদা ওফিসিয়েল সেলেক্সন ফংদুনা উৎখ্রবা ফিলমনি। ফিলম অসি, মণিপুরদা লো য়ৈরমদাইদা পৈদুনা থমজবা ফৌবোনশিং মৈ থারম্বগী থৌদোক্তা য়ুম্ফম ওইদুনা পুথোকপা ফিলমনি।

পিএম ঃ ভারত অমসুং ভিয়েটনামগী মরক্তা লল্লোন ঈতিক, শেল থাদবা অমসুং টেকোলোজিগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা য়ান্নচে অমা সহি তৌনখ্রে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং ভিয়েটনামগী রাষ্ট্রপতি তো লামগী মরক্তা নিউ দিল্লিদা ৱারী শান্নরবা মতুংদা য়ান্নচে অদু সহি তৌনখিবনি। য়ান্নচে অদুদা দিজিতেল টেকোলোজি, অনা লায়েং, পাব্লিক সেক্তর ওদিট, দিজিতেল পেমেন্ট অমসুং কলা সংস্কৃতি অমদি তুরিজমগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফমশিং য়াওরি। তুংদা, পুন্না থোকপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অনিনা হান্নদগী লৈনরক্লিবা মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা অমসুং লম কয়াদা পাক চাউনা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা য়ান্নরে।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ অমসুং চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ জেনেরেল অনিল চৌহান ঙসি জয়পুরদা পাঙথোক্কদবা জোইন্ট কম্মান্দরস কনফরেন্সকী অনিসুবা ইদিসনদা শরুক য়াগনি।

মিলিটরি কেপেবিলিতি ইন নিউ দোমেন্স হায়বা হিরমদা পাঙথোক্কদবা নুমিৎ নিনিগী মীফম অসি ওপরেসন শিন্দুরগী অহানবা কুমওন থৌরমগা ফাংজিন্নরি।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়- মীফম অসিদা সাইবর, স্পেস অমসুং ঙাকশেলগা মরী লৈনবা লম কয়াদা মতমগী মতুংইন্না শিংনবশিংগী মতাংদা খন্নদুনা তুংদা মদুবু নিংথিজনা মায়োকবা ঙমনবা থৌশিল থৌরাং কয়া পুথোক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরিবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংদা গভর্নরস য়ুনিত সাইটেসন লান্থোকখ্রে, তংদু লৈতানা থমবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লৌরিবা থৌদাং থাগৎনিঙাইনি হায়বা রাজ্যপালগী ৱাফম অমসুং কাংলুপ ফুরুপ খুদিংমকা পুন্না লৈমিন্নবদগী হেন্না নুংঙাইবা কদাইদা লৈবগে হায়বা উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেনগী ৱাফমনা সনালৈবাক্কী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

শান্তি লৈতনা চাওখৎপা য়ারোই হায়বা রাজ্যপালগী ৱাফম অমসুং ৱারী শান্নদুনা চংথোক চংশিন তৌরগা মহৌশাগী ফিভম লাক্কনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফমশিংনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউচে অসিগী ইংলিস ইদিসনদা মণিপুরগা অসামগা লোন্নবা জিলা কছারদা এন্তি ড্রগ রেইদ য়াওরুবা পুলিসশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে অমসুং কামজোংগী দি.সিনা জিলা অসিদা শান্তি লৈননবা কুকি অমসুং তাঙ্খুলগী সি.এস.ওশিং য়াওবা মীফম অমা কৌখ্রে হায়বা পাউশিংনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিগী মতাংদসু তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা হুইয়েন লানপাউদা ফোংলি।

রিমসকী মল্টি টাস্কিং ষ্টাফ লৌবগী পরিক্ষাদা অরানবা পাম্বে শিজিন্নরম্বনি হায়বা মীওই অমা পুলিসনা ফারে হায়বা পাউ অসিনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

থোক্লিবা লান অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা মীওই লিশিং ৪৭ হেন্না পুন্সি কনবা ঙমখি হায়বা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগী ৱাফম অমসুং চারহজারে মীহাৎকী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউশিংনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পোকফম পাউচেদা- মণিপুরগী ইরাং চহি অমগী মনুংদা লাকশিল্লগনি, আই.দি.পিশিং ময়ুমদা হঞ্জিনহল্লগনি হায়বা মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমগী ৱাফম অমসুং এন.আই.এগী দি.জি. রাকেশ আগরৱালনা মণিপুরগী গভর্নর উন্নখ্রে হায়বশিংনা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা মণিপুর সেন্ত্রেল জেলদা নুপীশিংগী ওইবা লিগেল এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখিবগী পাউনা মণিপুর মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ষ্টেসন মথৌ নিংথিনা তৌবগীদমক গভর্নরস য়ুনিত সাইটেসন পীরক্লে হায়বা পাউনা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জেলিয়াংরোং ফুটবোল ক্লব, এফ.সি. রেংদাইনা আই.লিগ থার্দ দিভিজনগী ফাইনেল রাউন্দ চংবা ঙমলে হায়বা পাউ অসিনা গানফিউ মেলগী অহুমসুবা হেদলাইন ওইরি।

সেটেলাইট টেগ তৌরবা অমুর ফালকোন উচেক সোমালিয়াদগী বিহারদা পাইরকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা তমেংলোং টাইমসকী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------